সি এ বিগী মায়োক্তা চঙশিল্লিবা খোঙজংনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা চাওনা অকায়বা পীখ্রে

ON ROAD AGITATION
AGAINST
CITIZENSHIP AMENDMENT BILL, 2018
IN SUPPORT OF
MANPAC
DOWN DOWN MODI
WITHDRAW CAB
DOWN DOWN BJP

সিটিজেন্সিপ (এমেন্দমেন্ট) বিলগী মায়োক্তা থৌবাল মোইজিং লমখায়দা ঙরাং মীয়াম্না পাঙথোকখিবা ৱাকৎ খোঙজং

থৌবাল, ফেব্রুৱারি ১১ঃ সিটিজেন্সিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা পাক্তক্লনা খোঙজং চঙশিনখ্রে। লম্বী তম্মায় থিংবা, অমুবা ফিরাল চিংখৎপা, ৱাকৎ মীফম ফম্বা অমদি ইফিজি মৈ থাবা য়াওনা খোঙজং কয়া চঙশিনখিবনা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা মহৌশাগী পুন্সিদা চাউনা অকায়বা পীখ্রে।

থৌবাল নিঙোম্বমগী মীয়াম্না লক্সমী বজারদা এম আই রোদ থিংজিন্দুনা মফম কয়াদা অমুবা ফিরাল চিংখৎখি। সিসদো হৈরোক্লসু মীয়ামগা লোয়ননা হৈরোক কৈথেলদা লম্বী থিংখি। প্রাইম মিনিষ্টর অমদি চীফ মিনিষ্টরগী ইফিজি মৈ থাদুনা বিল অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

জোইন্ট কম্মিটি ওল পিপলস ৱেলফেয়ার য়াইরিপোক অমদি য়াইরিপোককী মীয়াম্নসু য়াইরিপোক কৈথেল থিংজিনবগা লোয়ননা ৱাকৎ মীফম ফমখি। হয়েং মখা তানা হেন্না কনবা খোঙজং চঙশিনবা হায়বা ৱারেপসু লৌখি।

ৱাংজিং কৈথেলদসু কৈথেল ফম্বীশিং অমদি মীয়াম্না নেস্নেল হায়ৱেগী ৱাংজিং থোংদা লম্বী থিংদুনা অকনবা খোঙজং চঙশিনখি। কিয়াম সিফাই খুন্দোংবম মপাগী নেস্নেল হায়ৱেদসু মীয়াম্না ৱাকৎ মীফম চথখি। লিলোং উশোইপোকপীদসু মীয়াম্না লম্বী তম্মায় থিংদুনা ৱাকৎ মীফম চথখি।

অমরোমদা লোক সভাদা পাস তৌখ্রবা সিটিজেন্সিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল মীয়াম্না যাবা ঙল্লো, রাজ্য সভাদা পাস তৌবা য়ারোই হায়না মেনপেকনা মণিপুরগী মফম কয়াদা চঙশিল্লিবা খোঙজংবু শৌগৎলদুনা ঙসি থৌবাল মোইজিংগী প্রজাশিংনসু মোইজিং লমখায়দা ৱাকৎ মীফম ফমদুনা খোঙজং চঙশিনখ্রে।

মীয়াম্না সি এ বি অৱাং নোংপোক্তা চৎনবা য়ারোই, দাউন দাউন বি জে পি অমদি লোং লিভ মণিপুর হায়না থাবা প্লে কার্দ কয়া শীজিন্নবগা লোয়ননা খোল্লাও কয়াসু লাউখি।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়ারদুনা সোসিয়েল এক্টিভিষ্ট অব্দুর রজাকনা ফোঙদোরকপদা হন্দক সেন্টর অমদি ষ্টেটকী বি জে পি লৈঙাক অসিনা মীরমদগী লাকপা মীওইশিংবু হেন্না লূম্না লৌবা অমদি হান্না লৈজরিবা য়েলহৌমীশিংবুনা করিসু খন্দনা লৌবা মানবা বিল অসিবু শৌগৎপা হায়বসি লাইবক থিবনি। মীয়াম্না বিল অসি মতম পূম্বদা যাবা ঙল্লোই ফোঙদোকখি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা লিলোং চজিংদা লৈবা ক্লব ৭ এম সি, এল ৱাই এস এস য়ু, সি দব্লিউ সি, ৱাই সি জি সি, এম আর সি, এল সি দি সি, সি ৱাই দি ও এল অমদি লিলোং চজিং অপূনবা মৈরা পায়বী, এ এল সি সি ও লোয়ননা লিলোং শান্তিপুরগী মৈরা পায়বীশিংনা সিটিজেন্সিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ৱিদ্রো তৌগদবনি হায়বা খোল্লাওগা লোয়ননা ঙসি নেস্নেল হায়ৱেগী লিলোং থোং মনাক্তা লম্বী তম্মায় থিংদুনা খোঙজং চঙশিনখ্রে।

এ এল সি সি ওগী ওর্গনাইজিং সেক্রেটরী ৱাই সুনিলনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, করিগুম্বা বিল অসি রাজ্য সভানা পাস তৌদুনা এক্ট ওনখ্রবদি মণিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী য়েলহৌমীশিংগী লৈজরিবা শক্তমদা অকায়বা পীবদা নত্তনা মুৎখিবা য়াবগী অকিবা পোক্লরি। মরম অদুনা বিল অসি পাস তৌবা শুকয়া য়ারোই হায়না চঙশিল্লিবা মীয়ামগী খোঙজংদা মপূং ফানা শরুক য়াগনি।

নরানকোঞ্জিন স্পোর্টস ক্লব (এন এস সি) অমদি হৈবোক নুপী সমাজ কনবা লূপ নরানকোনজিন মখা লৈকাইনা সিটিজেন্সিপ (এমেন্দমেন্ট) বিলবু কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা বিল অসি ৱিদ্রো তৌগদবনি হায়রি। বিল অসিগী মায়োক্তা চঙশিল্লকপা খোঙজং খূদিংমক্তা ক্লব অমসুং নুপী সমাজনা মপূং ফানা শরুক য়াগনি হায়না টিঐচ বিমোল অমদি টিঐচ নাওবা সিংহনা পূন্না থাদোরকপা চেরোলনা ফোঙদোরক্লি।

এস পি কেপসুলগা কোন্ননা নুপী ১ ফারে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১১ঃ লিলোং পুলিস ষ্টেসনগী নুপী পুলিস য়াওবা টিম অমনা ওল লিলোং এন্টি দ্রগ এসোসিয়েসন (অলাদা)গা খূৎশম্নদুনা হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎকী নুমিদাং পুং ৯.৩০ রোম তাবদা লিলোং হাওরৈবী অৱাং লৈকাই তেরা মখোঙদা লৈবা এম দি সলাওদিনগী য়ুমদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা মহাক্কী মচানুপী পেকু (২৭) এস পি কেপসুল ১১৪৭৪ গা কোন্ননা ফারে।

মণিপুর পুলিসকী পি আর ওনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, মঙোন্দগী মরাল শীবা য়াবা পোৎ–চৈ খরসু ফংখি। লিলোং পুলিস ষ্টেসন্দা কেস রেজিষ্টার তৌদুনা মখা থিজিনবগী থবক চথরি।

জিরিবাম বন্দ চথরি

জিরিবাম, ফেব্রুৱারি ১১ঃ সি এ বিগী মায়োক্তা মেনপেক জিরি ব্রাঞ্চনা ঙসি অয়ুক পুং ৪ দগী হৌনা পুং ৩৮ গী বন্দ থোকহন্নিংদবা থৌদোক থোক্তনা চথরি। বন্দ অসিনা মরম ওইরগা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টতা মহৌশাগী ফিভমদগী অহোংবা কয়া লাকপগা লোয়ননা লম্বীদা গারী চৎহনখিদ্রে, দুকানশিং থোঙ লোনখি, ওফিসসু হাংনখিদ্রে, পুলিসনা থোকহন্নিংদবা থৌদোক থোক্তনবা ঙাক শেনবগী থবক কন্না চথরি।

অসাম অমসুং মণিপুর তাইনফম ওইরিবা জিরিঘাট থোংদা অসামগী মীওইশিংনা চঙলকপদা বন্দ শৌগৎপশিংনা থিংখি। অদুগা অনা অয়েক অমদি এগজামগা মরী লৈনবশিংদি অথিংবা পীখিদে। সি এ বি অসি পুরা লৌথোক্ত্রিবা ফাওবা মেনপেক জিরিনা মখা তানা খোঙজং চঙশিনখিগনি হায়না কনভেনর দব্লিউ দিনেস মৈতৈনা ফোঙদোরক্লি।

থৌ পুগদবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১১ঃ মণিপুর বিল্ডিং এন্দ অদর কন্সট্রক্সন ৱার্করস ৱেলফেয়ার ফেদরেসনগী চহীগী মীফম ঙরাং লিলোং অরাপতি অৱাং লৈকাইদা পাঙথোক্তুনা ২০১৯ গী থৌ পুগদবশিং খনখ্রে।

চেরোল অমদা হায়, নৌনা থৌ পুনবা খনখ্রবশিং অদুদি শগোলশেম নিমাইচান্দ সিংহ প্রসিদেন্ট অমসুং সোইবম বিরমনি সিংহ জেনরেল সেক্রেটরীনি। অসিদসু নত্তনা মেম্বর ২১ না শাবা এগজিক্যুটিভ কম্মিটি অমসু শেমখি হায়রি।

মধুমঙ্গোল শর্ম্মা লৈখিদবগী ২৪ শুবা কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১১ঃ সহিদ মধুমঙ্গোল ফাউন্দেসন ইম্ফালনা শীন্দুনা লৈখিদ্রবা এস মধুমঙ্গোল শর্ম্মগী ২৪ শুবা মার্টিদম এনিভর্সরি ঙসি ইম্ফালগী কোনুং লম্পাক্তা লৈবা লময়ানবা শঙলেন্দা পাঙথোকখ্রে।

লৈখিদ্রবা মধুমঙ্গোল শর্ম্মগী ফোটোদা মীয়াম্না লৈশু কৎপগা লোয়ননা সোভেনির অমসু ফোঙখি। থৌরম অদুদা ফাউন্দেসন অসিগী সেক্রেটরী চিংশুবা থোইবনা ফোঙদোকখিবদি লৈখিদ্রবা মধুমঙ্গোল শর্ম্মা মণিপুরী ইমাগীদমক কখোকখিবা তাঙলবা মপারিনি। মতম অমদা ইন্দষ্ট্রি দিপার্টমেন্টদা এদিস্নেল দিরেক্টর ফাওবা ওইরম্মী। লৈবাক্কী অমদি মীয়ামগী য়াইফনবা করিগুম্বা খরা তৌরমগে খনবদগী সরকারগী থবক ফাওবা থাদোক্তুনা তোঙান তোঙানবা ওর্গনাইজেসন কয়াদা থবক তৌরম্মী। মহাক্কী শিংথানিঙাই ওইবা গুণদি মীওইববু নুংশিবা, য়েক্লববু নুংশিবা ঙম্বা, লৈবাক্কীদমক ওইজবা পূম্বা থাদোক্তুনা কখোকপা ঙম্বা হায়বসিনি।

লৈখিদ্রবা মধুমঙ্গোল খুন্নাইগী, লৈবাক্কী য়াইফনবা তৌরম্বা মীশক্লি। মহাক জাৎ বিজাৎ খায়দনা কাঙলূপ খূদিংমক্তা হরাউ তয়াম্না লোয়নদুনা অমত্তা ওইবগী শক্তম শাগৎলম্মী। লৈবাক্কী ওইবা থবক পাঙথোকপদা শক্তি য়াওদবা য়ারক্তবগী ফিভম লাকপদা লোক সভাগী ইলেক্সনদা বি জে পিগী মীরেপ ওইখি। অদুবু ইলেক্সন অদুদা মায়থিরবসু মহাক্কী পুন্সিদা মায় পাকপা মীশক অমদি ওইখি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরমগা মরী লৈননা সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটি হিমাচল প্রদেশকী ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রো কুলদিপ চান্দ অগিনি হোতিনা এ ৱাইদর প্রোস্পেক্টিভ হায়বা হিরমদা এস মধুমঙ্গোল মেমোরিয়েল লেকচর পীখি। খা মণিপুর কলেজ ককচিংগী প্রিন্সিপাল ওইরম্বা ডা. এল ইবুংঙোহল সিংহ অমসুং সহিদ মধুমঙ্গোল ফাউন্দেসন ইম্ফালগী চিয়ারপার্সন এস সৈত্যভমা দেবীনা থৌরম অদুগী প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি হায়রি।

কোহসেমগী চিয়ারমেন অমদি সেক্রেটরীগী কা থুগায়খ্রে, মহৈরোয় ৯ পুলিসনা ফাজিনখ্রে–*কে এস এ*

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১১ঃ কাউন্সিল ওফ হয়ার সেকেন্দরি এদুকেসন মণিপুর (কোহসেম)না শেমজবা মোদিফাইদ রিগুলেসন ফোর হয়ার সেকেন্দরি ২০১৫ অমদি মণিপুর এদুকেসন কোদ ১৯৮২ গী ৱাংমদা অমদি এদুকেসন মিনিষ্টর য়াওনা য়ানখিবা ৱাফমগী তাইওন্নবদা কোহসেমগী চিয়ারমেন অমদি সেক্রেটরীনা থবক তৌরকপদগী খোইশাওনরবা কে এস এগী থৌমীশিংনা ঙসি সেক্রেটরী অমসুং চিয়ারমেনগী ওফিস কা থুগায়খ্রে অমসুং মহৈরোয় ৯সু পুলিসনা ফাজিনখ্রে।

কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসন (কে এস এ)গী জেনরেল সেক্রেটরী এস হেমজিৎনা ঙসি থাদোরকপা চেরোলনা হায়, খোইশাওনরবা মহৈরোয় থৌমীশিংনা চঙশিনখিবা খোঙজং অদুদা পুলিসনা তমথিবা মওংদা ফু চৈখিবা থৌওং অদু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই অমদি মীওই খরা ফাজিল্লগা অচুম্বগীদমক চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি হনগদবা অমদি নীংহন্নদুনা চেনগদবা লৈতে।

চথখিবা থৌওং অদুনা অচাকপা মৈদা ঘি হৈজিন্দুনা অনৌবা থৌনা অমা কে এস এগী থৌমীশিংগা পীবগা লোয়ননা লূপকী থৌমীশিংনা মখা তানা খোঙজং হেন্না কন্না চঙশিল্লক্কনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, চীং তম ফাউন্দেসন ফোর ইনোভেটিভ কৌবা স্কুল অমা থৌবালদা লৈবা ভিজন ক্রিয়েটিভ স্কুলগী গেটকা হেক মায়োক্লনা হোংজিনবগী লাক্লিবা ৱাথোক অসিগা মরী লৈননা এদুকেসন মিনিষ্টরগা য়ানখিবা ৱাফমগী তায়োন্নবদা কোহসেমনা থবক তৌরবসু মিনিষ্টরনা তুমিন্না লৈশিনবগী থৌওংসু কন্দেম তৌই লোয়ননা চিয়ারমেন অমসুং সেক্রেটরী থবক্তগী লৌথোকপা ঙমদ্রবদি এদুকেসন মিনিষ্টরসু ফম থাদোকপিয়ু হায়রি।

হেলথ এৱার্নেস কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১১ঃ ৯ সেক্টর অসাম রাইফলসকী থৌবাল বট্টালিয়ন্না শীন্দুনা ঙরাং থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা য়াইরিপোক্কী লৈখাং ভিল্লেজদা ঙরা মেদিকেল কম হেলথ এৱার্নেস কেম্প পাঙথোকখ্রে।

আই জি এ আর (সাউথ)কী পি আর ওনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, য়াইরিপোক কম্পনি ওপরেটিং বেজনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা কেম্প অদুদা অকোয়বদা লৈবা মীওই ২০০ রোমদা লেম্না অনা লায়েংগী খুদোংচাবা পীখি অমসুং হকচাং ফনা লৈবগা মরী লৈনবা ৱাফম অমসুং তোঙান তোঙানবা লায়না কয়াগী মতাংদসু নীংথিনা তাথোক তাশিন তৌনখি অমদি লেম্না হিদাক লাংথকসু য়েন্থোকখি হায়রি।

কেম্প অদুদা লেকচর কম ইন্টরেক্সন সেসন অমসু পাঙথোক্তুনা তঙাইফদবা হেলথ ক্যারগী মতাংদা অমদি হাইজিন অমসুং সেনিটেসনগী মরুওইবা কয়া অদুসু মীয়ামগা লোয়ননা খন্ন–নৈনখি হায়রি।

অতোপ্পা অমনা নাইন সেক্টর অসাম রাইফলসকী থৌবাল বট্টালিয়ন্না শীন্দুনা হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা স্কুল অঙাংশিংগী দ্রোইং কম্পিটিসন সেকমাই কুম্বি হায়স্কুল নোংপোক সেকমাইদা পাঙথোকখ্রে।

য়াইরিপোক কম্পনি ওপরেটিং বেজনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা কম্পিটিসন অদুদা নর্সরিদগী টুয়েল্ব ক্লাস ফাওবগী মনুংদা লৈবা মহৈরোয় ৭৫ হেনবনা শরুক য়াখি। মকোক মথং তাখিবশিংদা মনা মথুমসু য়েন্থোকখি। অঙাংশিংগী মরক্তা চাংদম্নবা ৱাখল্লোন হেন্না লৈহন্নবা মীৎয়েংদা কম্পিটিসন অসি পাঙথোকপনি হায়রদুনা স্কুল ষ্টাফশিংনসু থবক অদুগীদমক অসাম রাইফলসনা অপেনবা অমসুং থাগৎপা ফোঙদোরক্লি হায়রি।

জিরিবাম পুলিসনা লুপা লাক্ষ ১.৫ রোমগী দ্রগ ফাখ্রে

জিরিবাম, ফেব্রুৱারি ১১ঃ জিরিবাম পুলিস কম্মান্দো য়ুনিটকী এ এস আই ভিক্টর হাওবিজমনা লুচিংবা টিম অমনা ঙরাং নুমিদাংৱাই পুং ৬ লোম তাবা মতমদা অচৎ অওক চেক তৌবদা দ্রগ পুরম্বা মীওই অমা ফারে।

এস পি জিরিবাম এম মুবিনা থাদোরকপা চেরোল পল্লদুনা পাউ অসিনা হায়, কালিনগরগী কালি মন্দির মনাক্তা অচৎ অওক চেক তৌবা মতমদা চিংননিঙাই ওইবা মীওই অমা মফম অদুদগী নাম্থোক্তু না চেন্নবা হোৎনবদা কম্মান্দো টিম অদুনা তান্নদুনা দোরেন পান দুকানগী মনাক্তগী ফাখি।

ফারবা মীওই অদু মৈনম বুধি সিংহ (৫৪) অপোকপা লৈখিদ্রবা লালজিৎ সিংহ কালিনগর থ্রি দগীনি হায়বা খঙবা ঙমখি। মখা তানা চেক তৌবদা পোলিথিন বেগ অমগী মনুংদা সাপোন কেপ ৫ য়াওরমখি। হায়রিবা সাপোন কেপ ৫ অদুগী অমমমদা গ্রাম ১৪ রোমগী ওইগদবা ব্রাউন সুগর পুন্না গ্রাম ৭০ য়াওরমখি। মীওই অদু খুদক্তা ফাগৎখি অমসুং মঙোন্দগী ফংলিবা পোৎশিং অদু চাউরাক্লা লুপা লাক্ষ ১.৫ রোমগী ওইগনি হায়রি।

ফারবা মীওই অমসুং মঙোন্দগী ফংলিবা পোৎশিং অদু জিরিবাম পুলিস ষ্টেসন্দা শিন্নবগা লোয়ননা কেস রেজিষ্টার তৌদুনা মখা থিজিনবগী থবক চথরি হায়নসু পাউ অসিনা ফোঙদোরক্লি।

মাইনোরিটি কম্মিসনগী চিয়ারপার্সন হাপ্লকপদা নুংঙাইবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১১ঃ হৌখিবা ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সনদা লিলোং কেন্দ্রদা বি জে পিগী মীরেপ ওইখিবা অনৱার হুসেনবু মণিপুর ষ্টেট মাইনোরিটি কম্মিসনগী চিয়ারপার্সন ওইনা নৌনা হাপ্লকপদা নুংঙাইবা ফোঙদোকখ্রে।

লিলোং তাইরেন মখোঙদা লৈবা অনৱার হুসেনগী য়ুমদা ঙরাং পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা মহাকপু তরাম্না ওকপগা লোয়ননা তংদু লৈতাবা অমদি চাউখৎপা লমদম অমা ওইহনবিনবা মপুদা হায়জবা (দুৱা)গী থৌরমসু পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা দি সি ও থৌবাল ওইনা থৌ পুরম্বা রাওসন খান, লিলোং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল ৱার্দ নম্বর টুগী কাউন্সিল্লর সয়িদ অহম্মদ, ৱার্দ নম্বর টুগী কাউন্সিল্লর অব্দুল বারিক, ৱার্দ নম্বর ৭ কী কাউন্সিল্লর অব্দুল কলাম, ৱার্দ নম্বর ৫ গী কাউন্সিল্লর নোমিনি মদিনি, ৱার্দ মেম্বরশিং, তুরেল অহনবী অতৌখোং জি পিগী প্রধান ইদিরিস আলি, বি জে পি মণিপুর প্রদেশ মাইনোরিটি মোর্চাগী প্রসিদেন্ট অব্দুস সলাম, খেকমন জি পিগী প্রধান ওইরম্বা অসেম সুবোলনচিংবা কয়াসু শরুক য়াখি হায়রি।

লুপা ক্রোর ১.২৫ রোমগী পোৎ ফারে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১১ঃ আইন্না য়াদবা পোৎলম খরা মোরেদগী ইম্ফালদা পুনবা হোৎনরে হায়বা পাউ ফংবদগী ২৬ সেক্টর অসাম রাইফলসকী মোরে বট্টালিয়ন অমসুং মোরে পুলিসকী অপূনবা টিম অমনা মল্টিপল চেক পোষ্ট হাংদোক্তুনা মোরে অমসুং অকোয়বদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা লুপা ক্রোর ১.২৫ রোমগী ওইগদবা আইন্না য়াদবা পোৎলমশিং ফংবা ঙমখ্রে।

আই জি এ আর (সাউথ)কী পি আর ওনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, থিবা হুম্বগী থবক চথখিবা অদুদা মোরে কৈথেলগী নাসির হোটেল মমাঙদা বেগ অমা চিংননিঙাই ওইবা মওংদা লৈরমখি। হায়রিবা বেগ অদু হাংদোক্তুনা য়েংলুবদা সাপোন পেকেট ২৪ য়াওরম্বা থেংনখি। হায়রিবা সাপোন পেকেটশিং অদুগী মনুংদা পেকেট ২২ দা হেরোইনগ্রাম ৩০০ অদুগা পেকেট ২ দা ব্রাউন সুগর গ্রাম ২৮ য়াওরম্বা থেংনখি। হায়রিবা আইন্না য়াদবা পোৎলমশিং অসি কৈথেলগী মমলদা লুপা ক্রোর ১.২৫ রোমগী ওইগনি।

ফংলিবা পোৎলমশিং অদু আইনগী মখা তাবা থবক লৌখৎনবগীদমক পুলিস্তা শিন্নখ্রে হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

মেগা সোসিয়েল সার্ভিস পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১১ঃ ৯ সেক্টর অসাম রাইফলসকী মন্ত্রিপুখ্রি বট্টালিয়ন্না শীন্দুনা ঙরাং ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা সওম্বুং, য়ৌরবুং, পৌরাবী অমসুং সেক্তা এরিয়াদা মেগা সোসিয়েল সার্ভিসকা লোয়ননা ফ্রি মেদিকেল কম দেন্টেল কেম্প পাঙথোকখ্রে।

আই জি এ আর (সাউথ)কী পি আর ওনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, তোঙান তোঙানবা ভিল্লেজশিংদা মখা তানা সোল্লর ষ্ট্রিট লাইট ৫ অমসুং সুৱিং মেছিন ১৮ সু য়েন্থোকখি। থাগী ওইনা পাঙথোকপা সেক্যুরিটি মিটতা সোল্লর ষ্ট্রিট লাইট ইন্সটোল তৌবিনবা হায়জরকপদগী হায়রিবা মফমশিং অদুদা সোল্লর ষ্ট্রিট লাইট ৫ ইন্সটোল তৌখিবনি লোয়ননা সওম্বুং থোংখোং ভিল্লেজগী নুপীশিংদা সুৱিং মেছিন ১৮ সু পীদুনা মখোয় মখোয়গী শেন্থোক লম্বী হেনগৎহন্নবগী খুদোংচাবা ফংহনখি।

মেদিকেল কম দেন্টেল কেম্পতা অসাম রাইফলসকী ডাক্তরশিংনা অনাবা মীওই ৬০০ রোমদা মেদিকেসনগী খুদোংচাবা ফংহনখি। অসিদসু নত্তনা মেদিকেল টিম অদুনা মীওই কয়াগী দেন্টেল চেকঅপসু তৌখি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

PENSION BOOK LOST

I have lost my Pension book of M.L.A. on the way in between Thangal Bazar and Babupara on 02.01.2019.

Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- Bijoy Koijam
Ex. M.L.A.
Thongju Assembly Constituency

ꯗꯁꯥ ꯌꯦꯡꯖꯔꯤ/ দশা য়েংজরি

☛ অঙাং লাইরিক ফনবা
☛ পরিক্ষাদা মার্ক ৱাংনবা
☛ হায়বা ইন্নবা
☛ নিশা চাদনবা
☛ থবক ফংনবা
☛ করবার তোংনবা
☛ শেল পায়নবা
☛ ইংখোল লৈবা ঙম্নবা
☛ য়ুম শাবা ঙম্নবা
☛ ফজবা গারী তোংনবা
☛ য়ুম্বাল কায়দনবা
☛ অঙাং য়াওননবা
☛ মীনা য়েংশিনবা চঙদনবা
☛ কেস ঙম্ননবা
☛ ভোৎ কাননবা
☛ অনাবা কোক্লনবা

খ্বাইদগী লায়বা উপায়দি ইশাগী কুঠী কম্প্যুটরাইজ তৌদুনা কূপ্না অমুক্তং য়েংথোকপনি, কুঠী লৈত্রবসু ৱানিংঙাই ওইদে। সাইন্টিফিক ওইবা মওংদা চ্যেকশিন্না খুবাক ময়ি য়েংজরি। চহী নিফুরোম ইশাগী শিনফম ওইনা থিজিল্লক্লি অমসুং য়েংজরক্লি। অফবা থবক্তি য়ৈথোক্লোইসি, ঙসিমক লাকপিদুনা ফনবা তান্নবিয়ু।

SL/3010/30 days

মীয়ামগী জ্যোতিষ মহাঋষি
ডা. পিঐইচ রাজেন্দ্র (ফাই)
নোংমৈবুং ৱাংখৈরাকপম লৈকাই, ইম্ফাল।

লখিপুরদা সি এ বিগী মায়োক্তা মৈরা রেল্লি চৎখ্রে

লখিপুর, ফেব্রুৱারি ১১ঃ ওল অসাম মণিপুরী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (আমসু) লখিপুর দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি, য়ু সি ও লখিপুর অমদি মৈরা পায়বী ইমাশিংগী লিচিং মখাদা সিটিজেন্সিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬ কী মায়োক্তা ঙসি নুমিদাং মৈরাগী রেল্লি চৎখ্রে।

মীওই ৩০০ হেনবনা শরুক য়াখিবা মৈরাগী খোঙচৎ অদুদা তোঙান তোঙানবা মৈরা পায়বী লূপ অমদি ক্লব কয়াগী মীওইশিংসু শরুক য়াখি। নুমিদাংৱাই পুং ৬ তাবা মতমদা ফুলারতন কৈথেলদগী খোঙচৎ অদু হৌখি অমসুং লখিপুর খুমন ফাওবা কিলোমিটর ৩ লোম চৎখ্রে। খোঙচৎ অদুদা সিটিজেন্সিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল য়ানিংদে, অৱাং নোংপোক লমদমদা চৎনবা য়ারোই, মোদিগী লৈঙাক য়ানিংদে হায়বা খোল্লাও কয়াসু লাউখি।

আমসু লখিপুর দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট কৱাবম বিক্রমজিৎনা ফোঙদোকখিবদি অৱাং নোংপোক লমদমগী মীয়ামগী সেন্টিমেন্ট খঙদুনা সরকারনা বিল অসি রাজ্য সভাদা পাস তৌরোইদবনি। করিগুম্বা বিল অসি পাস তৌরবদি য়েলহৌমী ফুরুপশিংবু ভারত সরকারনা থৌওই উৎশিতবনি হায়না লৌগনি।

মীতোপ চেক তৌবা হৌরগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১১ঃ রাজ্য সভাদা সিটিজেন্সিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল পাস তৌরবদি অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াগী অপিকপা ফুরুপ য়েলহৌমীশিং মাঙখ্রগনি লোয়ননা মণিপুরদা মীতোপ মীয়ানচাশিংনা খুন্দারিবা পূম্নমক চেক তৌরগনি হায়না ওল মণিপুর ইন্দিজেনস ৱেলফেয়ার ওর্গনাইজেসন্না ফোঙদোরক্লি।

ওর্গনাইজেসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরী সিঐচ তাইবঙ ঙানবা মীতৈনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, মীতোপ মীয়ানচাশিংদা লম য়োনবা, কা ভরা শানবনচিংবা পূম্নমক তোক্লসি। কেন্দ্র কেন্দ্রগী ওইনা ক্লব ওর্গনাইজেসনশিংগা খূৎশম্নরগা মীতোপ চঙবা থিংলগনি। অহানবা ওইনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা কোন্থৌজম কেন্দ্রদা মীয়ামগা লোয়ননা মীফম ফম্লবা মতুংদা মীতোপ চঙলকপা থিংবগী থবক হৌরগনি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

জর্জ ফর্নান্দেজনা লৈখিদবা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১১ঃ মতম অমগী সোসিয়েলিষ্ট লিদর অমদি কংগ্রেস নত্তবা পার্টিনা ইন্দিয়াগী গভর্ণমেন্ট পায়বা মতমদা রেলৱে মিনিষ্টর, ইন্দষ্ট্রি মিনিষ্টর অমদি দিফেন্স মিনিষ্টর ওইরম্বা জর্জ ফর্নান্দেজনা হৌখিবা জনুৱারি ২৯ দা লৈখিদবদা মণিপুরগী মতম অমগী সোসিয়েলিষ্ট পার্টিগী মেম্বরশিংনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

হান্নগী এম এল এ রাজবাবুনা থৌরম মপু ওইদুনা পাঙথোকখিবা অৱাবা ফোঙদোকপা মীফম অদুদা ৱা ঙাংখিবা লোইতোংবম ইবোয়াইমা, ক্ষেত্রিময়ুম শান্ত, মধুসুদোন নচিংবনা লৈখিদ্রবা লুচিংবা অসিগী পুন্সি অমদি মহাক্না তৌরম্বা থবকশিং শিংথাখি। লোয়ননা মীফম অদুদা তিনখিবা পূম্নমক্না মিনিট অনী তুমিন্না লেপ্তুনা ঈশ্বরগী মফমদা প্রর্থনা তৌখি।

ভেটিরিনরি কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১১ঃ ৯ সেক্টর অসাম রাইফলসকী টুলিহল বট্টালিয়ন্না ১৪ মোবাইল ফিল্ড ভেটিরিনরি হোস্পিটাল, থ্রি আর্মি দোগ য়ুনিট অমসুং মণিপুর সরকারগী ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দরি দিপার্টমেন্টকী মতেংগা লোয়ননা ফ্রি ভেটিরিনরি কেম্প ঙরাং নোংমাইজিং নুমিত্তা মৈত্রম ভিল্লেজদা পাঙথোকখ্রে।

ইন্দিয়ান আর্মিগী ডাক্তর অমা, নর্সিং এসিষ্টেন্ট ২ অমদি ভেটিরিনরি দিপার্টমেন্টকী ডাক্তর ৩ অমসুং নর্সিং এসিষ্টেন্ট ৪ গী টিম অমনা অকোয়বদা লৈবা য়ুমদা য়োকপা শা–ষণ কয়া লেম্না লায়েংখি। মদুদা তোঙান তোঙানবা ভিল্লেজ ২০ দগী য়ুমদা য়োকপা শা ষণশিং ১৫০০ রোমদা হিদাক লাংথক্কী খুদোংচাবা পীবদা নত্তনা দরকার ওইবা হিদাক লাংথকসু কাপথোকখি।

ভেটিরিনরি দিপার্টমেন্টকী দিপ্যুটি দাইরেক্টর ডা. লাইশ্রম গোজেন সিংহসু কেম্প অদুদা শরুক য়াবগা লোয়ননা শা ষণশিংদা থোক্কনবা তোঙান তোঙানবা লায়না কয়াদগী ঙাকথোক্লবা খুঞ্জাশিংদা নীংথিনা খঙহনখি হায়রি।

ঙসিগী রাষি ফল (১২–০২–২০১৯)

ইবোপিশক নিংথৌজা (এৱার্দি)
এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বাজার, ইম্ফাল

মেষঃ খুদোংচাবা থেংনবা, চাউখৎপা, ফগৎপা, পোৎ লৈবা য়াবা, অচৌবশিংনা নুংশিবিবা মতম্নি। লম চৎপা মী তিন্নবা কান্নগনি। নক্ষত্র ১,২,৩ অফবনি।

বৃষঃ খৎননিংগনি। অমগা অমগা তোখাই তাবা, ৱাখল লাঙবা মতম্নি। শোক্তনবা চেকশিল্লু। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ৩,৪ ফগনি, ৫ হেন্না ফত্তে।

মিথুনঃ অশোক অপন থেংনবা, শাওনবা মতম্নি। গারী তপ্না থৌগনি। অফবা মরুপ তিন্নবা তাবনি। হকচাং ৱাখল নুংঙাইরোই। চরাঙনগনি। নক্ষত্র ৫ ফত্তে, ৬ ফগনি, ৭ খরা ফত্তে।

কর্কটঃ হকচাং ৱাখল নুংঙাইতবা, শেল চৎপা, য়েক্লবা হেনগৎপা মতম্নি। পোৎ লৈবা য়াগনি। কল্লকপা য়াম্মী। তোখাই তানগনি। অরুবদি পাঙথোক্লগনি। নক্ষত্র ৭ ফত্তে, ৮ ফগনি, ৯ ফত্তে।

সিংহঃ হোৎনবা য়াবা, অচৌবশিংনা চানবিবা, মরুপ মফম ফগৎপা, হকচাং ফবা, শেল ফংবা, ইমুংদা শান্তি লৈবা মতম্নি। নক্ষত্র ১০, ১১,১২ অফবনি।

কন্যাঃ খৎননিংবা, শাওনবা, শোক্তনবা মতম্নি। তপথবা ফগনি। শেল ফংবা চৎপা মান্নগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। হকচাং ৱাখল নুংঙাইরোই। নক্ষত্র ১২,১৩ ফগনি, ১৪ ফত্তে।

তুলাঃ শোক্তনবা, শাওনবা মতম্নি। শেল চৎপা মতম্নি। পাঙথোক্লিংবা খরদি পাঙথোক্লগনি। লম চৎপা ফত্তে। পোৎ লৈবা য়াগনি। চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১৪ ফত্তে, ১৫ ফগনি, ১৬ খরা ফগনি।

বৃশ্চিকঃ ৱারৌবা, শাওনবা মতম্নি। পোৎ লৈবা য়াগনি। অচৌবনা ইথক থোংবশিংনা নুংশিবিরগনি। ইমুংদা তোখাই তান্নগনি। নক্ষত্র ১৬ ফগনি, ১৭ ফবা ওই, ১৮ ফত্তে।

ধনুঃ অরুবা পাঙথোকপা, মরুপ মফম ফগৎপা, পোৎ লৈবা য়াবা, হকচাং ৱাখল ফগৎপা মতম্নি। লম চৎপা মী তিন্নবদি কান্নগনি। নক্ষত্র ১৯, ২০, ২১ ফগনি।

মকরঃ শোক্তনবা, কোক শাবা, মীনা য়েংথিবা মতম্নি। শেল মরম চাদনা চৎলগনি। শাওদবা ফগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। শান্তি লৈতে। নক্ষত্র ২১,২২ অফবনি, ২৩ ফত্তে।

কুম্ভঃ শোক্তনবা, শেল চৎপা, য়েক্লবা হেনগৎপা মতম্নি। অচৌবনদি চানবিরগনি। লমতু চৎপা হৈশিংবা মতম্নি। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ২৩ ফত্তে, ২৪ ফগনি, ২৫ ফত্তে।

মীনঃ চরক চহিং নাইবা, কোক শাবা, মীনা য়েংথিবা মতম্নি। শেল চৎপা, হকচাং চাং অমদা লৈবা মতম্নি। অরুবদি পাঙথোক্লগনি। নক্ষত্র ২৫ ফত্তে, ২৬ ফগনি, ২৭ ফগনি।



চোংৱানদু তৌফম খঙলমদে


হাইস সিদি ঐ শোয়দনা শিবা
তারেনো হুম

মন্ত্রিদু য়ৌরক্কে


কনানো মী হাৎলুরগা ওইদবা ঙাংদুনা লৈরেদো